## কম্মর্সিএল ফ্লাইট হৌরে

ক্যুৰেট সিটি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইদুন থা কয়া লেপ্লকখিবা কর্ম্মসিএল ফ্লাইটশিং অমুক হন্না সর্ভিস হৌরে হায়না ক্যুৰেটকী সিভিল এভিএসন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সীনহুৰা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না ফ্লাইটশিং অদু থাংজ নুমিত্তা ক্যুৰেট ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা সর্ভিস মখা চত্থবা হৌখিবনি।

## আই এসকী ইন্টেল চীফ হাৎখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :

ইস্লামিক ষ্টেট খোরাসান প্রোভিন্স (আই এস কে পি)গী ইন্টলিজেন্স হেদ ওইরিবা অসাদুলাহ ওরাকজাই হাৎখ্রে হায়না অফঘানিষ্টানগী নেসনল দিরেক্টরেট ওফ সিক্যুরিটি (এন দি এস)না ফোঙদোকখ্রে।

এন দি এসনা তোলো ন্যুজতা ফোঙদোকখিবদা, আই এসকী কম্মান্দর অসি থাংজ নুমিত্তা নঙ্গরহর প্রোভিন্সকী কেপিটেল জলালাবাদ সিটিগী মনাক্তা চথখিবা এন সি এসকী স্পেসল য়ুনিটশিংগী ওপরেসন অমদা হাৎখিবানি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়াদা দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে



মেলবোর্ন, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :

ইনৌ নৌনা কনশিল্লক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা চৎথোক-চৎশিনগী অকনবা অথিংবা কয়া থম্বগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট ভিক্তোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে অমসুং কেপিটেল মেলবোর্নদা অহিংগী মতমদা কার্ফিয়ু থমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা মেলবোর্ন হান্নদগী চয়োল তরুক্কী ওইবা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈবগী ওর্দর অমা চৎনদুনা লৈরিবনি। হৌখিবা চয়োলদা ইনৌ নৌনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন কয়া রেকোর্দ ওইবা মওংদা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা সিটি অসিনা লায়না অসি লাকশিন্নবা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখত্তুনা লাকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ভিক্তোরিয়াদা ইনফেক্সন ৬৭১ রিপোর্ট তৌখি। মশিং অসি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশিংশিংগী মনুং চল্লি। নুমিৎ অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ৭ সু শিখি। কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী মশিং ৰাংখৎলকপা অমসুং হৌরকফম খঙদবা কেসশিংগী মশিং য়ামশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অনৌবা অথিংবশিং অসি চৎনহল্লিবনি। অথিংবশিং অসি চয়োল তরুক লোম চুপ্পা চৎনগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক চৎনরিবা রুলশিং অসিনা নুমিৎ খুদিংগী অহেনবা কেস লিশিং/লিশিং থেংনরম্বা য়াবদু থোকহনখিদ্রে। হোস্পিটালদা মশিং য়াল্লবা পেসেন্টশিং থোমজিল্লমগদবা অমদি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা অহেনবা মীওই কয়া শিরমগদবদু চৎনরিবা কাঙলোনশিং অসিনা থোকহনখিদবনি হায়না ভিক্তোরিয়াগী প্রেমিয়র দেনেএল এন্দ্রুজনা টেলিভাইজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

মেলবোর্নদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদগী কার্ফিয়ু হৌরগনি। কার্ফিয়ুগী মতমনা নুমিদাং পুং ৮ দগীনা মথংগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবনি। কার্ফিয়ু মনুংদা সিটি অসিগী মীওই মিলিয়ন ৫ রোম য়াম্না তঙাইফদবা থবক্কী নত্তনা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈগদবনি।

ফেদরেল গভর্নমেন্টনা ভিক্তোরিয়াগী থৌরাংশিং অসিবু শৌগৎখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না মহাক্কী ফেসবুক পেজদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

## লেটিন অমেরিকাদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ২০০,০০০ হেল্লে



লিমা, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

লেটিন অমেরিকাদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মী মশিং থাংজ নুমিৎকী অহিং ফাওবদা মীওই ২০০,০০০ হেল্লে হায়বসি এজেন্সিগী টেলি অমনা উৎখ্রে। ফিভম অসিনা লমদম অসি পান্দেমিক অসিগী গ্লোভেল ইপিসেন্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি উৎলি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নত্তনা ব্রাজিল অমসুং মেক্সিকোনা অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী হেন্না লায়না অসিনা নাবদগী শিরিবা মী মশিং হেনখ্রে। লমদম অসিদা শিরিবা মীশি অপুম্বগী চাদা ৭০ রোমদি লৈবাক অনীসিদা থোক্লি। লাইচৎ অসিনা ক্রাইসিস থোকহল্লবা মখোয়গী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগুম্না পায়খৎপা য়ানবা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অনী অসিনা সেফটিগী থৌরাংশিং লৌখত্তুনা শাথিরবা ভাইরস অসি মখা তানা শন্দারকপা লাকশিন্নবা কন্না হোৎনবসু উরি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা ব্রাজিলদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোংমদা মীওই ১,৫৯০ হেন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি। থাংজ নুমিত্তদি লৈবাক অসিদা মীওই ১,০৮৮ শিখি। মেক্সিকোদনা থাংজ নুমিত্তা মীওই ৭৮৪ শিখি অমসুং অহানবা ওইনা ভাইরস অসিগী অনৌবা ইনফেক্সন ৯,০০০ হেন্না দিটেক্ট তৌখি।

## স্বিটজর্লেন্দদা কোরোনাভাইরসকী অথিংবা কনশিন্নবা পাউতাক পীখ্রে

জুরিচ, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

স্বিটজর্লেন্দদা হন্দক্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন হেনগৎলক্লিবসি য়েংদুনা মতুং তারকপদা হেন্না কনবা লোকদাউনগী থৌরাংশিং চৎনহল্লক্কদবদু থিংহৌনবগীদমক্তা লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা অথিংবশিং হেন্না কনশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোসকী অনৌবা মকোক্না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জুনদা চাংচৎতা নোংমদা পোজিটিভ কেস ৩৫ দিটেক্ট তৌখিবা মতুংদা হন্দক্তা স্বিটজর্লেন্দদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেসশিং নোংমদা থেংনবগী চাং ২০০ দগী হেল্লকখি। স্বিটস গভর্নমেন্টতা সাইন্টিফিক এদভাইস পীরিবা বোদি অদুবু লুচিংলিবা মার্টিন একর্মেন্না হায়খি মদুদি, হৌজিক লৈবাক অসিদা ইনফেক্সনগী চাং য়াম্না ৰাংনা হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈরে অমসুং লৈবাক অসিগী হৌজিক লৈরিবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংনা অসিগুম্বা ফিভম অসি মায়োক্নবদা ৰানা থোক্কনি। কা হেন্না ইনফেক্সন ৰাংখৎলকপগী ফিভম থিংনবা ঐখোয়না ঙল্লিঙৈদা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎক্কদবনি নৎত্রবদি অরেম্বদা শেল কা হেন্না মাঙহনগদবা মওংগী অথিংবশিং থমদবা য়াদবগী ফিভম লাক্কনি। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা অরুবা ফিভম অসি লাকহন্দনবা ঙন্না হোৎনহৌগদবনি হায়না টাস্ক ফোর্স অদুবু লুচিংলিবা একর্মেন্না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

## কোরোনাভাইরসকী চেকশিন-থৌরাংশিংগী মায়োক্তা বর্লিনদা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক লাকশিন্নবা জর্মনিদা থল্লিবা অথিংবা কয়াগী মায়োক্তা থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল বর্লিনদা মীওই লিশিং কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। অথিংবশিং অদুনা মীয়ামগী রাইটশিং অমসুং ফ্রীদমশিং খোঙ্গাওনরে হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা লাউখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টকীদমক পুনখিবদু লিবর্টেরিএনশিং, কন্সটিট্যুসনেল লোয়েলিষ্টশিং অমসুং এন্টি-ভেক্সিনেসন এক্তিভিষ্টশিং য়াওনা মীওই ১৭,০০০ শুরম্বা য়াই। প্রোটেষ্টরশিংদুগী মরক্তা ফার-রাইটকী মীওই খরসু য়াওখি। মখোয়না জর্মনিগী অমুবা, অঙৌবা অমসুং অঙাংবা মচুগী ইম্পেরিয়র ফিরাল পুখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বীদা দান্স তৌখি অমসুং ঐখোয় ফ্রী ওই হায়বা ঈশৈ শকখি। অতৈ কয়ানা ঐখোয়গী ফ্রীদম হুরানখিবদগী ময়াম হৌদুনা লাংলিবনি হায়বা ময়েকশিং ইবা প্লে কার্দশিং পায়রগা চৎখি। মখোয়না ৰাখল তৌ অমদি মাস্ক শীজিন্নগনু হায়বা খোল্লাওশিংসু শীজিন্নখি।



মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা প্রোটেষ্টর অমনা ঐখোয়গী দিমান্দদি দিমোক্রেসিদা হঞ্জিনহল্লু অমসুং ঐখোয়বু মীনাই ওইহল্লিবা মাস্ক শীজিন্নবা লেপহল্লু হায়বসিনি হায়না ফোঙদোকখি। প্রোটেষ্টশিং অদু মাইকেল বোলৰেগ কৌবা ওন্ত্রপ্রেনর অমসুং পোলিটিকেল অউটসাইদর অমনা অপিল তৌখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি। মহাক্না ষ্টুটগার্টতা মান্নবা রেলিশিং শীন-লাংখ্রে অমসুং হৌজিক মহাক সাউথ-ৱেষ্টর্ন সিটি অসিদা মেয়রগী মীখলদা কেনিদদেট অমা ওইনা চোংথোক্লি হায়রি। প্রোটেষ্টরশিংবু মাস্ক উপহনবা ঙমদবগীদমক পুলিসনা ওর্গনাইজরগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

## সাউথ অফ্রিকাগী কোভিদ-১৯ কেস মিলিয়ন তঙ্খায় হেল্লে

জোহেনেসবর্গ, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

সাউথ অফ্রিকাগী কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯ কেস মশিং মিলিয়ন অমগী তঙ্খায় হেল্লে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অফ্রিকা অপুম্বগী ওইনদি কোভিদ-১৯ কেস মশিং মিলিয়ন অমা নকশিল্লক্লে হায়রি। অফ্রিকাগী ইন্দষ্ট্রিদা খ্বাইদগী হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লবা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কনফার্ম কেস ১০,১০৭ রেকোর্দ তৌদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৫০৩,২৯০ য়ৌরে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

থা ৫ গী মমাংদা অহানবা কেস কনফার্ম তৌখিবা সাউথ অফ্রিকাদা হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ৩ দগী খরা হেন্না ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন টেষ্ট তৌরে অমদি হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিদগী মীওই ৮,১৫৩ গী পুন্সি লোমহনখ্রে। এজেন্সিগী টেলি অমগী মতুং ইন্না অফ্রিকাদা কোভিদ-১৯ কেস ৯৩৪,৫৫৮ দিটেক্ট তৌখ্রে অমসুং লায়না অসিনা মীওই ১৯,৭৫২ শিহনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লায়েংবদা ফরকখিবা পেসেন্ট মশিং, ৫৮৫,৫৬৭ শুরে।

শাথিরবা ভাইরস অসি শন্দারকপা লাকশিন্নবগীদমক সাউথ অফ্রিকা গভর্নমেন্টনা হৌখিবা মার্চকী অরোয়বা শরুক্তা লৈবাক শীন-থুংনা লোকদাউন থমখি। তৌইগুম্বসুং ইকনমিক এক্তিভিটিজ কনখৎহনবা য়ানবগীদমক্তা হৌজিক্তি অথিংবা কয়া কোমথোক্লি হায়রি।

## টামিল নাদুগী গভর্নর কোভিদ পোজিটিভ ওইবদগী হোম ক্বারন্টিন তৌনবা পাউতাক পীখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :

টামিল নাদুগী গভর্নর বনৱারিলাল পুরোহিট নোংমাইজিং নুমিত্তা টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা হোম ক্বারন্টিন তৌনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না চেন্নাইদা লৈবা কবেরি হোস্পিটালনা ফোঙদোকখ্রে।

পুরোহিট মশা চেক তৌথোক্নবগীদমক্তা অয়ুক্তা হোস্পিটালদা চৎখিবনি। কবেরি হোস্পিটালগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মহাক লাইওং উৎলকপা লৈত্রি অমসুং ক্লিনিকেল্লি নুংশা থিনিংঙাই ওইদে। মহাক ঙসি কবেরি হোস্পিটালদা মখা তাবা টেষ্টশিং অমদি এসেসমেন্ট চত্থখি। মহাক্কী ইনফেক্সন অসি অকনবা মওং ওইদবনা মঙোন্দা হোম আইসোলেসন তৌনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা মহাক কবেরি হোস্পিটালগী মেদিকেল টিমনা মোনিটর তৌগনি হায়না হোস্পিটালগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।



পনবা য়াবদি, রাজ ভৱনগী ষ্টাফর ৩ টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মতুংদা পুরোহিটনা মহাক নুমিৎ তরেৎনি নাইতোম লৈরগনি হায়না হৌখিবা জুলাই ২৯ দা লাউথোকখিবনি।

মতম অদুদা রাজ ভৱনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, মীওই ৩৮ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই অহুম কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরমখি। মীওই অহুম অদু লায়েংনবগীদমক্তা হোস্পিটালদা পুখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না রাজ ভৱনগী মেদিকেল ওফিসরনা জুলাই ২৮ দা পুরোহিটপু রেগ্যুলর হেল্থ চেকঅপ তৌখি অমসুং মদুদা মহাক মশা-মউ ফনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুমওইনমক দোক্তরনা মঙোন্দা নুমিৎ ৭ নি নাইতোম লৈনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা মহাক্নসু দোক্তরগী পাউতাক অসি ইনখি।

হৌখিবা জুলাই ২৩ দা রাজ ভৱনদা তাবা সিক্যুরিটি অমসুং ফায়র সর্ভিসশিং য়াওনা মীওই ৮৪ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী ক্বারন্টিন তৌখি। মতমদুদা রাজ ভৱন্না ষ্টাফর খরা ইনফেক্সনগী লাইওং উৎলকপদগী মীওই ১৮৭ টেষ্ট তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

## সী এ এগী রুলশিং শেম্নবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা থা ৩গী অহেনবা মতম পাল্লি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি) :

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী রুলশিং শেম্নবগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থা অহুমগী অহেনবা মতম লৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি ৱার্ককী মেন্যুএলগী মতুং ইন্না লেজিসলেসন খুদিংমক্কী রুলশিং প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরবা মতুং থা ৬ কী মনুংদা ফ্রেম তৌগদবনি হায়বা লৈবনা মিনিষ্ট্রি অসিনা দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা ষ্টেন্দিং কম্মিটি ফোর সোবোর্দিনেট লেজিসলেসন্দা অহেনবা মতম অসি পীনবা হায়জখিবনি।



পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টানগী কাঙলুপ অমদি লাইনিং-লাইশোনগা খেন্নবনা মরম ওইদুনা ওৎপি নৈবিবগী ফিভম মায়োক্লরিবা নন-মুস্লিম মাইনোরোটিশিংদা ইন্দিয়ন সিটিজনসিপ পীবদা খুদোংচাহল্লিবা ৱাথোক ওইরবা সী এ এ অসি থা ৮ লোমগী মমাংদা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবনি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা খোঙথাং অসিবু প্রোটেষ্ট তৌনখি।

প্রসিদেন্টনা লেজিসলেসন অসিবু হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১২ দা অয়াবা পীখি। সী এ এগী রুলশিং শেম্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা থা অহুমগী অহেনবা মতম নীরক্লে। হীরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি অসিনা দিপার্টমেন্ট রিলেটেদ ষ্টেন্দিং কম্মিটি ফোর সবোর্দিনেট লেজিসলেসনদা হায়জখি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

পেনেল অসিনা সী এ এগী রুলশিংগী ষ্টেটসকী মতাংদা ইনক্বাইরি তৌখিবা মতুংদা হোম মিনিষ্টরনা খোঙথাং অসি থাংলকখিবনি। হায়জরক্লিবা ৱাফম অসি কম্মিটিনা য়ারবা য়াই হায়না ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সী এ এগী পান্দমদি পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টানগী ওৎপি-নৈবিরবা মাইনোরিটিশিংনি হায়রিবা হিন্দু, সিখ, জেন, বুধিষ্ট, পার্সি অমসুং খৃষ্টানশিংদা ইন্দিয়ন সিটিজনসিপ পীবনি। লৈবাকশিং অসিদা লাইনিং-লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা ওৎপি-নৈবিবদগী কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা লাকখিবা কম্যুনিটিশিং অসিগী মীওইশিং ইলিগেল ইম্মিগ্রেটশিংনি হায়না লৌদবগা লোয়ননা মখোয়দা ইন্দিয়ন সিটিজনসিপ পীগনি।

## সেবিনা অপফ্রন্ট মার্জিন ফ্রেমৱার্ক তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

ব্রোকরশিং অমসুং ট্রেদরশিংগী অৱাবা কোকহনগদবা খোঙথাং অমদা মার্কেটশিংগী রেগ্যুলেটর ওইরিবা সেবিনা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা ট্রেদিং মেম্বরশিংনা ক্লাইন্টতগী য়ামদ্রবদা অপফ্রন্ট মার্জিন ২০% খোম্বা ঙল্লবদি কলেক্সনগী চাং ৱাৎপগীদমক্তা মখোয়দা পেনাল্টি এপ্লাই তৌরোই।

ইনভেষ্টরশিং, ট্রেদিং মেম্বরশিং (টি এম) নৎত্রগা ক্লিয়রিং মেম্বরশিং (সী এম)শিং অমদি ষ্টোক ব্রোকর এসোসিএসনশিংনা হায়জরকখিবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। করিগুম্বা টি এম/সী এমনা ক্লাইন্টতগী ভেল্যু এট রিস্ক অমসুং এক্সট্রিম লোস মার্জিনগী য়েংলগা য়ামদ্রবদা অপফ্রন্ট মার্জিন চাদা ২০ কলেক্সন তৌরবদি মার্জিনগী চাং ৱাৎনা খোম্বগী পেনাল্টি ট্রেদরশিংদা এপ্লিকেবল ওইরোই হায়না সেবিগী সাক্যুলর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইনভেষ্টরশিংগী ইন্টরেষ্টশিং ঙাক শেনবগীদমক সিক্যুরিটিজ এন্দ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া, ১৯৯২ এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সন্না পীরিবা পৱারশিংগী মতুং ইন্দা সাক্যুলর অসি থোক্লিবনি হায়রি।

## কর্নাতাকাগী চহী ১০০ রোম শুরবী নুপী অমা কোভিদ-১৯ দগী ফরে

চিত্রদুর্গা, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

কর্নাতাকাগী চিত্রদুর্গাদা চহী ১০০ রোম শুরবী নুপী অমা কোভিদ-১৯না নারম্বদগী লায়েংবদা ফরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দোক্তর অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমদগী ভাইরস অসি লৌরকখিবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা ফরকখিবনি হায়রি। মশাগী চহী ১০০ রোম শুরবা শিদাম্মা ইনফেক্সন অসিদগী ফরে অমসুং মহাক চিত্রদুর্গা টাউনদা লৈবা কোভিদ দেজিগনেটেদ হোস্পিটাল অমদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। মহাক লাইওং উত্তবা পেসেন্ট অমা ওইনা লায়েং চত্থখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী দোক্তর রঙ্গারেদিনা ফোনগী খুত্থাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

চিত্রদুর্গা টাউন অসি বেঙ্গলুরুগী অৱাং নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ২০৫ রোম লাপ্না লৈ। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বুরুজনাহতি ভিলেজদগী হৌরকখিবা মীশক অমা ওইরবসু সিদাহম্মাননা টাউন অসিগী ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈরিবা পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা লৈখি হায়রি। অহল ওইরবা নুপী অসিনা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা অনাবা ফরকখিবগী পাউ দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেল্থ বুলেটিনদা পনখিবদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাকপু উন্নবগীদমক্তা লোকেল ন্যুজ চেনেলশিং চঙশিন্নখি।

ঐঙোন্দা অকিবা অমত্তা লৈতে। হোস্পিটালগী দোক্তর অমনা ঐঙোন্দা লায়না অসি লৈরে হায়রকখিবদা ঐহাক মীপাইবা পোকখিদে হায়না সিদাহম্মানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী চপ চাবা চহীদি ভেরিফাইদ তৌবা য়াবা চে চাংনচিংবা অমত্তা লৈতবদগী খঙবা ঙমদে হায়রি।

## এয়রপোর্টতা ফিভর স্ক্রিনিং সিষ্টেম লৈরে

হায়দ্রবাদ, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

হায়দ্রবাদগী রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট (আর জি আই এ)দা য়ুনিসেফনা ফন্দিং তৌবা পাক্তক্লনা ফিভর স্ক্রিনিং তৌনবগী সিষ্টেম লৈরে। কোভিদ-১৯ পান্দমিক মনুং অসিদা সিষ্টেম অসিনা পেসেঞ্জরশিং স্ক্রিনিং তৌবদা হেন্না ইফিসেন্ট ওইহল্লগনি হায়না এয়রপোর্ট ওপরেটরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ককা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স চিল্ড্রেন ফন্দ (য়ুনিসেফ)না ফন্দিং তৌবা অফবা মখলগী থর্মেল স্কেনর অদু এয়রপোর্ট অসিদা লৈহনখিবনি। সিষ্টেম অদু এয়রপোর্ট অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী ওফিসলশিংনা শীজিন্নগনি।

সিলিংদা য়ানবা মাস ফিভর স্ক্রিনিং সিষ্টেম অমা ওইরিবা অনৌবা থর্মেল স্কেনর অদুনা উনশাদা টেম্পরেচর ৱাংলক্লবা মীওইশিং স্কেন তৌবা, খঙদোকপা অমসুং থিদোকপা ঙম্মী হায়রি। সিষ্টেম অসিগী ইন্টুইটিভ য়ুজর ইন্টরফেস অমসুং দ্যুএল-দিসপ্লেনা টেম্পরেচর ৱাংলবা পেসেঞ্জরশিং ইরায় লায়না খঙদোকপা ঙম্মী হায়রি।

## কোভিদনা নাবদগী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২, (এজেন্সি) :

উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর কমল রানি ভারুনন লৈখিদবদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৬২ শুরবী মিনিষ্টর অসি কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা লক্ষ্নৌদা লৈখিদবনি। য়ু পি গভর্নমেন্টকী কেবিনেট মিনিষ্টর কমল রানি ভারুন্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিনা ঐখোয়গী থম্মোয় কায়হল্লে। খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা মীয়ামগী থৌগল তৌবগীদমক্তা ইকাই খুম্নখিবা ভারুন্না লোক সভাদা অনীরক এম পি অমা ওইনা সর্ভ তৌখি। লৈখিদ্রবা অসিগী ইমুং-মনুং অমসুং খোঙলোয়শিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিনা লৈখিদবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, য়ু পিগী মিনিষ্টর কমল রানি ভারুন্না খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা ঐখোয় পুম্নবু ৱাহল্লে। পুন্সি চুপ্পা মহাক্না সোসল সর্ভিসতা কখোককখি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবদা মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। ইমুং-মনুং অমসুং সপোর্টরশিংগী অৱাবদা ঐহাক্না শরুক য়ারি।

ঌা৺ঙসেঞ্গী/অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, শা-ঙা চারগনা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু ফখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, চিকপা নাবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্লগসু ঙাইহাক্তং ফরম্লগা অমুক চিক্লকপা, পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক লৈরগা অমুক চিক্লকপা, খোঙ হান্বা লোইরগসু মিনিট ১০মুক চিক্লগা লৈবা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা মরমদি অমাংথোঙদা চিক্লক্কনি খনবদা, শা-ঙা চারগনা খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্না মচা-মচা থোক্লগা লৈবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা বেরা তৌরকপা, করিগুম্বদা খোঙ অকনবা হান্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী অপোম্বা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা, খোঙ অপেৎপা হান্লিবমখৈ ফবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/3 থাগৎচরিবী : P. Sandarani Devi, Hiyangthang

## ꯑꯣꯏꯕꯤꯆꯨꯋꯔꯤ / OBITUARY



Mr. Rajanglung Panmei alias Mr. Manihar Panmei, age 79, passed away on Saturday, August 1, 2020 at his residence in Chingkhulong, Lamsang, Imphal West. He was the only son of Mr. Kakindiyeng Panmei and Mrs. Luchalu Gangmei.

He served the Government of Manipur for 36 years and retired as an accountant of civil session court, Uripok, Imphal in 2004, and worked for women commission of Manipur after the retirement till 2017. He had also served the local church at various capacities as church treasurer, head deacon and as church elder for many terms.

He is survived by wife, 5 daughters, 4 sons, 4 daughter-in-laws, 4 son-in-laws, 19 grand children and 4 great grand children. He was a faithful, hard working, loving husband and a responsible, caring father.

*May his soul rest in peace until the return of the Lord, in His glories.*

HL-P/7421/3 **Loving Wife and Children**

ꯅꯨꯡꯁꯪ / নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6295/27 july to 25 Aug.